# মিজোরাম লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী ওক ফার্ম তৌরিবা মীওইশিংদা কম্পেন্সেসন পীনবা সেন্টরদা তকশিনখ্রে

আইজোল, জুলাই ২৭ (এজেন্সি): মিজেরামদা হৌখিবা থা খরা অসিদা অফ্রিকান স্বাইন ফিভরনা মরম ওইরগা ওক ফার্ম তৌরিবা মীওইশিংদা অৱা চৈথেং কয়া পীখ্রবা মতুং লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমনা ওক ফার্ম তৌরিবা মীওইশিংদা কম্পেন্সেসন পীনবা সেন্টরগী পুক্নিং চিংশিনখিবগা ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙনবসু তকশিনখ্রে।



মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না মিজেরামগী চীফ মিনিষ্টরনসু হিরম অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ মোদিদা অঙৗবা চেরোল পীদুনা হান্না খঙহনবা লৈখ্রে। ওক্তা য়াম্না লৌনগনবা অফ্রিকান স্বাইন ফিভরনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা ওক ৪২,৩০০ হেন্না শিহনখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা ওক ফার্ম তৌরিবা মীওই কয়াদি মকোক্তা মখুৎ হাপ্নরে। ফার্ম তৌরগা হিংলিবা মীওই কয়াগী মরাইবক তন্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈরে। মরম অদুনা সেন্টরনা হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পায়খৎফম থোকপা থবক পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈরি। মরুওইনা ওর্ক ফার্ম তৌরিবা মীওইশিংদা সেন্টরগী মায়কৈদগী মতেং ওইনবা কম্পেন্সেসন পীবগা তঙাইফদবা লৈরি।

ষ্টেট অসিদা অফ্রিকান স্বাইন ফিভরনা মমাং চহীগী মার্চ ২১ দগী হৌরগা চৈথেং পীবা হৌরকখিবনি। লায়না লায়চৎ মখল অসি য়ুমদা য়োক্লিবা ওকশিংগী ওইনদি য়াম্না খুদোংথিনিঙাই ওই। মরমদি লায়চৎ অসি শন্দোকপগী চাং য়াম্না ৱাংই অমদি লায়চৎ অসিনা শন্দোকখ্রবা ওক অদু শিবগী চাং চাদা ৯৯ ওই। মরম অদুনা মমাং চহীদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা লায়না লায়চৎ অসি মখা তানা পাক শন্না শন্দোরক্ক্রিঙৈদা থিংনবগী পান্দম ওইনা অফ্রিকান স্বাইন ফিভম দিটেক্ট তৌখিবা মফমশিংগী অকোয়বদা লৈবা ওকশিংসু পাক্কন্না হাৎপগী থবকশিং চখুখি। অমরোমদা ষ্টেট অসিগী ওইনা রিভিন্যু নেম্বা অমদি ফন্দ লৈতবনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা ফার্মরশিং অসিদা মতেং পীবা ঙমদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা সেন্টরনা ষ্টেট অসিগী ওক ফার্মরশিংদা ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্ট পীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

# মেঘালয়া বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট মর্নাদ মরাক য়ু পিগী কোর্ট অমদা পুথোকখ্রে



গুৱাহাটি, জুলাই ২৭ (এজেন্সি): মেঘালয়া বি জে পিগী ভাই প্রসিদেন্ট বর্নাদ মরাককী ৱেষ্ট গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ফার্ম হাউস অমা লোনা য়াদবা মওংদা নুপা অমদি নুপীগী য়ারেকফম ওইনা মথৌ তৌহল্লম্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রবা মতুং ষ্টেট অসি থাদোক্তুনা চেনখ্রবা মরাক ঙরাং মেঘালয়া পুলিসকী অখন্নবা টিম অমনা য়ু পিদগী ফারবা মতুং ঙসি লোকেল কোর্ট অমদা পুথোকখিবগা লোয়ননা হয়েং ফাওবগী মনুংদা মহাক ষ্টেট অসিদা পুরক্লগনি হায়না থাজবা য়াবা রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না মহাক ঙরাং উট্টর প্রদেশকী হাপুরদা ওটো টেক্সি অমদা তোংদুনা চৎলিঙৈদা ফাখিবনি। অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং মেঘালয়া পুলিসকী অখন্নবা টিম অমা উট্টর প্রদেশতা চৎলবা মতুং য়ু পি পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা মহাকপু ফাবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি চিংনবা য়াবা পাউ খরা ফংবদগী মেঘালয়া পুলিসকী টিম অমনা তুরাদা লৈবা বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট বর্নাদ মরাককী ফার্ম হাউসতা থি হুস্বগী থবক চখুখি। মদুদা ইল্লিগেল ওইনা থম্লম্বা ফোরেন লিকর কয়া ফাগৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা অরানবা থবক চখুরম্বা মীওই ৭৩ সু ফাগৎপা ঙমখি। হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা নুপীমচা ২৪ য়াওরি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা রেইদ অদুদা চহী নৌরিবা অঙাং মঙাসু রেস্ক্যু তৌবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা নুপামচা মরি অমসুং নুপীমচা অমা য়াওরি। মদুগী মতুং পুলিসনা মহাকপু ফানবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। অমরোমদা মেঘালয়া বি জে পিগী প্রসিদেন্টনা থৌওং অসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা থৌশিলনি হায়রি।

# অসামগী হান্নগী মিনিষ্টর অর্ধেন্দু কুমার দে মশাগী অনাবনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে

গুৱাহাটি, জুলাই ২৭ (এজেন্সি): অসামগী মীয়াম্না হেন্না মশক খঙলবা ষ্টেট অসিগী হান্নগী মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা বি জে পিগী সিনিয়র লিদর অর্ধেন্দু কুমার দে মশাগী চহী ৮১ শুরকপদা অনাবা অমনা মরম ওইরগা ঙসি লৈখিদ্রে হায়না ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী হান্নগী মিনিষ্টর অসি কেন্সর লায়নানা মরম ওইরগা হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথুদুনা লাকখিবনি। মহাক গুৱাহাটি মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথুদুনা লাকখ্রবা মতুং ঙসি মশাগী অনাবনা মরম ওইরগা লৈখিদবনি।

লৈখিদ্রবা সিনিয়র পোলিটিসিয়ন অসি য়ুনিভর্সিটি ওফ কোলকত্তাদগী এম বি বি এস লোয়শিল্লবা মতুং ইহান হানবা ওইনা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসতা য়াওদুনা পোলিটিকেলগী ফিল্ডদা খোঙদারকখিবনি। মহাক মতম শাংনা পার্টি অসিদা য়াওদুনা লাক্লবা মতুং হৌখিবা কুমজা ২০২১ দা বি জে পিদা জোইন তৌখিবনি। হোজাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইনা মহাক কুমজা ১৯৯১ দগী হৌরগা কুমজা ২০০৬ ফাওবা এম এল এ ওইনা মায় পাক্তুনা লাকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট মিনিষ্টর ওইনসু থবক তৌরম্লে।

অমরোমদা মহাক্লা লৈখিদবা অসিদা ষ্টেট অসিগী সিনিয়র পোলিটিসিয়নশিংনা অৱাবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

# শেঞ্জা থুমজা তৌরম্বা পুলিস ওফিসার অমা ফারে

গুৱাহাটি, জুলাই ২৭ (এজেন্সি): খারুপেতিয়া পুলিস ষ্টেটসনগী ওফিসার ইন চার্জ ওইনা লৈরিবা মীওই অসিনা শাশিন্নবা কেসশিংগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংদগী শেল লৌনবা হোৎনরম্বগী মরালদা দরাং পুলিসনা মহাকপু ঙসি ফাগেৎখ্রে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না ফারবা পুলিস ওফিসর অসিগী মমাং উটপাল বোরা কৌই। মহাক ধোলা পুলিস ষ্টেসন্দসু ও সী ওইনা মতম শাংনা থবক তৌরম্লবা মীওই অমনি। পুলিস ষ্টেসন অসিদা মহাক্লা ও সী ওইনা থবক পুরিঙৈ মতমদসু করপসনগী ওইবা ৱাথোক কয়া থোকখি। মরম চাদনা কেস অমা নম্ফুদা মহাক মশানা রেষ্টির তৌরবা মতুং ভিক্টিমদগী শেলগী দিমান্দ তৌবগী থবক চথুরম্বগী মতাংদা হৌজিকসু মহাক্কী মথক্তা কেস লৈরি। মখা তানা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি চথুরকপদগী থিগৎলবা মতুং মহাকপু ফাখিবনি হায়রি।

# পি এম জে ভি কেগী ওইনা শেন্থং অমত্তা ফংবা লৈতে

কোহিমা, জুলাই ২৭ (এজেন্সি): প্রধান মন্ত্রি জান বিকাস কর্য়াকারম (পি এম জে ভি কে) ২০২৩ গী ওইনা সেন্টরগী মায়কৈদগী শেন্থং অমত্তা ফংবা লৈত্রি হায়না নাগালেন্দ গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা রাইজিং পিপলস পার্টিনা সেন্টরদা পি এম জে ভি কেগী ফন্দ অসি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা অরানবা মওংদা শিজিন্নরে। মরম অদুনা ফন্দ থারকপা মতম খরা লেপ্তুনা করপসনগী মতাংদা হান্না থিগৎনবা খঙহনখিবনি। মদুগী মতুং নাগালেন্দ গভর্নমেন্টনা পি এম জে ভি কে ২০২৩ গী ওইনা সেন্টরদগী শেন্থং অমত্তা লাকপা অমদি ষ্টেটনা লৌখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখিবনি। মাইনোরিটি এফিয়র্স মিনিষ্টরনসু ফন্দ অমত্তা গভর্নমেন্টনা মমাংগী মতমদা লান্না শিজিন্নখিবা লৈতে অদুবু মতম অমদা থবক খুদিংমক পায়খৎপা ঙমদবনা মরম ওইরগা অহান অকোনগী ওইবা ৱাফমদি লৈ। মসিদা লান্না শন্দোক্লবা হোৎনবনি হায়রি।

# নাগা ফ্লেগ অমসুং কন্সটিট্যুসনগী মতাংদা য়েৎনবনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবনি

দিমাপুর, জুলাই ২৭ (এজেন্সি): মতম শাংনা চয়েৎনদুনা লাক্লবা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন হৌজিক ফাওবা পুরকপা ঙমদনা লৈরিবা অসি রাষ্ট্রিয়া স্বয়ামাসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) না নাগাগী তোঙানবা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসনগী মতাংদা য়েৎপননি হায়না এন এস সী এন (আই এম) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা এন এস সী এন (আই এম) না ফোঙদোকখিবদা আর এস এসকী মতুংইন্না মতৌ করম্না লৈবাক অমদা ফিরাল অনী অমদি কন্সটিট্যুসন অনী লৈগদৌরিবনো, মসি ওইথোকপা য়ারোইদবা ৱাফম অমনি হায়দুনা য়েৎলকপদগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবনি। অদুবু হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মমাংদা সেন্টর অমসুং এন এস সী এন (আই এম) অনীগী মরক্তা তৌনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অদুগী মতুংইন্নদি নাগাগী মতম শাংনা চয়েৎনদুনা লাক্লবা নাগা পোলিটিকেল ইস্যু অসি লোইশিনবদা নাগাগী তোঙানবা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসনগী মতাং য়াওখ্রবনি।

অদুম ওইনমক আর এস এসনা হিরম অসিদা খুৎ থিংজিল্লক্তুনা অয়েৎপা পীবা হৌরকপদগী নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা চয়েৎনবশিং থোকপা হৌরকখিবনি। ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা চপ চানা মরম খঙদবা মীওইশিংনা এন এস সী এন (আই এম) না তাল্লিবা তোঙানবা ফিরাল অমসুং কন্সটিট্যুসনা মরম ওইরগা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবনি হায়না চার্জ তৌরি। অদুবু মীয়াম্না খঙগদবদি হায়রিবা মতাং অসিগী মতাংদা হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা য়ানবা পুরক্তুনা ৱারী শাবা লোইখ্রে। হৌজিক লৈরিবা চয়েৎনবা অসিদি আর এস এসনা খুৎ থিংজিল্লকপা অসিনি। এন এস সী এন (আই এম) গী ওইনদি হান্না য়ানখিবা অদুগী মতুংইন্না হৌজিকসু চপ চানা ফিরেপ লৌদুনা লাক্লি হায়রি।




মণিপুর গভর্নমেন্টনা শিন্দুনা ক্লাসিফাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা উজ্জৱাল ভারত, উজ্জৱাল ভবিষ্যগী থৌরম মৈরা চুদুনা হৌদোকখিবা

# CROSSWORD-3597



## ACROSS

1 Emblem of Canada (5,4)
6 Bashful (3)
8 Slender graceful female (5)
9 Bureaucracy (3,4)
10 Non-attendance (7)
11 Desiccated (5)
12 One of the Home Counties (6)
14 Norfolk seaside resort (6)
18 Old Nick (5)
20 Take out (7)
22 Grand National racecourse (7)
23 Electronic communication (5)
24 Bakery product (3)
25 Callous (9)

## DOWN

1 Unlucky accidents (7)
2 Tablets (5)
3 Make better or more attractive (7)
4 Merited (6)
5 Lost brightness (5)
6 Venue for sporting events orconcerts (7)
7 Give way (5)
13 Entourage (7)
15 Place of safety or seclusion(7)
16 Starlet (anag) (7)
17 Former Spanish currency(6)
18 Rascal (5)
19 Compass bearing (5)
21 Stop sleeping (5)

**Solution 3596**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | U | S | K | E | R | ■ | S | T | A | B | L | E |
| I | ■ | L | ■ | X | ■ | ■ | ■ | R | ■ | A | ■ | N |
| S | C | A | N | T | ■ | S | T | A | M | I | N | A |
| T | ■ | N | ■ | R | ■ | A | ■ | M | ■ | Z | ■ | M |
| R | A | D | I | A | N | T | ■ | P | I | E | C | E |
| O | ■ | E | ■ | ■ | ■ | U | ■ | L | ■ | ■ | ■ | L |
| ■ | ■ | R | E | C | U | R | R | E | N | T | ■ | ■ |
| A | ■ | ■ | ■ | U | ■ | A | ■ | ■ | ■ | H | ■ | D |
| N | O | N | E | T | ■ | T | O | P | S | I | D | E |
| T | ■ | A | ■ | I | ■ | E | ■ | L | ■ | C | ■ | A |
| I | N | D | U | C | E | D | ■ | A | S | K | E | D |
| C | ■ | I | ■ | L | ■ | ■ | ■ | C | ■ | E | ■ | L |
| S | O | R | B | E | T | ■ | S | E | N | T | R | Y |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3998

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | | | | | | | |
| 6 | | 8 | | 2 | 5 | | | 7 |
| | | | 3 | 4 | | | 6 | |
| | 6 | | | 7 | | | 4 | |
| | | 3 | 4 | | 6 | 1 | | |
| | 9 | | | 8 | | | 2 | |
| | 8 | | | 9 | 4 | | | |
| 7 | | | 5 | 1 | | 6 | | 9 |
| | | | | | | | | 4 |

## Solution-3997

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 4 | 6 | 5 | 2 | 9 | 1 | 8 | 3 |
| 2 | 9 | 8 | 4 | 1 | 3 | 5 | 7 | 6 |
| 5 | 1 | 3 | 7 | 8 | 6 | 9 | 2 | 4 |
| 9 | 8 | 7 | 3 | 5 | 2 | 4 | 6 | 1 |
| 4 | 3 | 5 | 6 | 7 | 1 | 2 | 9 | 8 |
| 1 | 6 | 2 | 8 | 9 | 4 | 7 | 3 | 5 |
| 8 | 5 | 4 | 2 | 3 | 7 | 6 | 1 | 9 |
| 6 | 2 | 1 | 9 | 4 | 8 | 3 | 5 | 7 |
| 3 | 7 | 9 | 1 | 6 | 5 | 8 | 4 | 2 |

# EMPLOYMENT NEWS

## CAU RECRUITMENT 2022 FOR PART TIME MEDICAL OFFICER

Central Agricultural University Part Time Medical Officer Recruitment 2022: Advertisement for the post of Part Time Medical Officer in Central Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 10 August 2022. Candidates can check the latest Central Agricultural University Recruitment 2022 Part Time Medical Officer Vacancy 2022 details and apply online at the cau. globizsapp.com/ recruitment 2022 page.
Central Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ cau.globizsapp.com/. Central Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of cau.globizsapp.com/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Central Agricultural University (CAU)
invites applications for recruitment of Part Time Medical Officer
Part Time Medical Officer
Job Location:
Lamphelpat West , Imphal, 795004 Manipur
Last Date: 10 August 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
CAU Recruitment 2022 Part Time Medical Officer Job Vacancies Apply Online Application
CAU Recruitment 2022 Part Time Medical Officer Job Vacancies Apply Online Application Recruitment 2022 Details
Company Central Agricultural University
Job Role Part Time Medical Officer
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Imphal
Experience Fresher
Salary 50000
Posted on 21 Jul, 2022
Walkin Date 10 Aug, 2022
Educational Qualification: MBBS
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
50000
Age Limit: Maximum 65 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/ walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Part Time Medical Officer in CAU.
How to Apply:
To know the Walkin procedure for CAU Recruitment 2022 candidates can go to the official website and download the CAU Recruitment 2022 Notification. CAU will conduct the walkin interview for Part Time Medical Officer vacancies on 10/08/2022.
Important Dates:
Published on: 22 July 2022
Last date for application is: 10 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## NAGALAND UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR GUEST FACULTY

Nagaland University Guest Faculty Recruitment 2022: Advertisement for the post of Guest Faculty in Nagaland University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 05 August 2022. Candidates can check the latest Nagaland University Recruitment 2022 Guest Faculty Vacancy 2022 details and apply online at the nagalanduniversity.ac.in/ recruitment 2022 page.
Nagaland University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nagalanduniversity.ac.in/. Nagaland University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Nagaland. More details of nagalanduniversity.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Nagaland University
invites applications for recruitment of Guest Faculty
Guest Faculty
Job Location:
HQ: Lumami Dist: , Zunheboto, 798627 Nagaland
Last Date: 05 August 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Application For Employment
Application For Employment Recruitment 2022 Details
Company Nagaland University
Job Role Guest Faculty
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Zunheboto
Experience Fresher
Salary 25000
Posted on 25 Jul, 2022
Walkin Date 05 Aug, 2022
Educational Qualification: Please Refer Official Notification
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
25000
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/ walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Guest Faculty in Nagaland University.
How to Apply:
Interested and eligible candidates can walkin to the respective venue as stated in the official notification. The wakin date for Nagaland University Recruitment 2022 is 05/08/2022. Go through the instructions carefully and carry the necessary documents at the time of the interview.
Important Dates:
Published on: 27 July 2022
Last date for application is: 05 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং :
য়াইতম্বা
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম







